# য়ুরোপ অমসুং খা-অমেরিকানা ফুটবোল খ্বাইদগী হৈবা লৈবাক ওইরি

—লৈশাংথেম অজিৎ—




**ফুটবোল** খ্বাইদগী হৈবা শান্নরোয় মশীং য়াম্না লৈবা লৈবাক অসি য়ুরোপ অমসুং খা-অমেরিকানা ওইরি হায়না ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা কুনলক পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী চেম্পিয়ন ওইখিবা লৈবাকশিং অদুদগী খঙবা ঙম্মী। কুমজা ১৯৩০ দগী উরুগ্বেগী কোনুং মোন্তেভেদিওদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল অসি য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা ১১ রক অমদি খা অমেরিকাগী লৈবাকশিংনা ৯ লক থোইবা ঙমখ্রে। অৱাং থংবা অমেরিকা, এসিয়া, অফ্রিকা অমদি ওসিনিয়াগী লৈবাকশিংনা ৱর্ল্ড কপ্তা খুমাং চাওশিনবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং য়ু এস এনা অহানবা ৱর্ল্ড কপ মোন্তেভেদিওদা পাঙথোকপদা অহুমশুবা তাখিবা অমদি খা কোরিয়া অমদি জপান্না য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা খা কোরিয়ানা মরিশুবা মফম ফংখিবদা নত্তনা মহাদেশশিং অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা ৱর্ল্ড কপ্তা মায় পাকপা ঙমদ্রি। মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা মশান্না অসিদা এসিয়ানচিংবা মহাদেশ খরনা মশান্না অসিদা কা হেন্না শোংখরিবা অসি মেনখৎপা মতম ওইরক্লে হায়বা খঙদুনা মালেমগী মশান্না অসিগী মপূং ওইরিবা ফিফানা থৌরাং কয়া অমুক লৌখৎতুনা মশান্না অসিগী থাক হেনগৎহন্নবা হোৎনরি।

'য়ুরো ২০১৬' হায়না খঙনবা য়ুরোপ লৈবাকশিংগী ফুটবোল চেম্পিয়ন থা অমা চুপ্না জুন ১০ দগী জুলাই ১০ ফাওবা ফ্রান্সকী সহরশিংদা পাঙথোকখিবা অদুবু মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা শান্নবগী থৌরম অমা ওইনা মিৎয়েং থম্নখি। অহানবা ওইনা ফাইনেল রাউন্দদা টিম ২৪ না শরুক য়াহনখিবা কুমজা ১৯৬০ দগী হৌদোকখিবা খ্বাইদগী খুমাং চাওশিনবা মহাদেশ অসিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৫৫ না শরুক য়াহন্দুনা ক্বালিফাইং রাউন্দশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা টিম ২৪ খক ফ্রান্সকী সহরশিংদা পাঙথোকখিবা অরোইবা শরুক্কী টুর্নামেন্ট অসিগীদমক খনগৎখি। য়ূম্বু ওইরিবা ফ্রান্সকা পোর্টুগলগা য়ুরো ২০১৬ অসিগী ফাইনেল শান্নবদা পোর্টুগলগী কেপ্তেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো শান্নবা হৌরকপগী মিনিট ২৫ শুরকপদা মখুউদা শোকপদগী শান্নবা ঙমদদুনা পোথাখি। মরম অসিনা ফ্রান্সনা অকিবা অমদি হনবা লৈতনা এটেক তৌখিবদা গোলকিপর রুই পোট্রিসিওনা মায় পাক্লা ঙাকথোকখি। শান্নবা লোয়বা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। মরম অদুনা মতম হাপ্লগা শান্নবগী মতমদা রোনাল্ডোগী মহুৎ ওইনা থাজিনখিবা ইদর কৌবা শান্নরোয় অদুনা মিটর ২৫ দগী ফ্রান্সকী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিবদা পাঞ্জল চন্দুনা পোর্টুগলনা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা গেমস লোইশিনখিদুনা পোর্টুগলনা অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন কপ লৌবা ঙমখি।

ওলেম্পিক গেমশিংদা প্রোফেসনেলশিং শরুক য়াবদা অথিংবা লৈরম্বনা অৱাং অমেরিকা, অফ্রিকা, এসিয়া অমদি ওসিনিয়াদা লৈবা লৈবাকশিংগী খুদোংচাবা খরদি ফংই হায়বা য়াই। অদুবু মকোক মথং তাবা ঙম্বগী মপাঙ্গল মরৌশিংদি অদুক হাক্লা লৈখিবা নত্তে। ফুটবোলদা অকক্লবা চৎনবী নীয়ম খরগী মখাদা প্রোফেসনলদা শরুক য়াবা য়াহনখিবা অসি কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক্তনি, টিম অমদা চহী ২৩ গী মথক্তা লৈবা প্রোফেসনেল অহুমদগী হেন্না য়াওবা য়াদে হায়বা অনৌবা চৎনবীনা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্তা গেমসদগী হৌখি। মরম অদুনা চহী অসিগী ওলেম্পিক গেমসতা নাইজেরিয়ানা অর্জেন্টিনাবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অফ্রিকাগী অহানবা লৈবাক ওইখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসদা সিদনিদা কুমজা ২০০০ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্কী নুপাগী ফুটবোলসু অফ্রিকাগী কেমরুন্না স্পেনগা ফাইনেল শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নবদগী পেনালটি কাউনবদা কেমরুন্না ৫-৩ দা থোইদুনা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

চহী ১২ গী মতুংদা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসদা খা কোরিয়াগী নুপাগী টিম অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা ওলেম্পিক্তা অনীরক চেম্পিয়ন ওইরবসু মখা তানা মায় পাকপদি ঙমদ্রি। মরম অদুনা য়ুরোপ অমসুং খা অমেরিকাগী লৈবাকশিংনা মশান্নশিং অসিদদি মাংজিল থাদুনা অদুমক লৈরি। মসিনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কোপা সেন্টিনরি কপ, হায়বদি অমেরিকা অনীমক্কী অপূনবগী ওইবা ফুটবোলদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অমা হন্দক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পাঙথোকখিবা অদুগা ফ্রান্সতা পাঙথোকখিবা 'য়ুরো ২০১৬' অসিগনা মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ফুটবোল শান্নবগী থৌরমশিংনি হায়নরি।

খা অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা ফুটবোল শান্নবা হৌখিবসি কুমজা ১৮৬০ গী মতমদনি হায়না রেকোর্দশিংদা লৈরি, মশান্না অসি মহাদেশ অদুদা বৃটিশ অমদি অতৈ য়ুরোপকী মীওইশিংনা পুশিল্লকখি। পেরুদা কুমজা ১৮৫৯ গী মতমদা, অর্জেন্টিনাদা কুমজা ১৮৬৭ কী মতমদা ফুটবোল শান্নবা হৌই। কুমজা ১৮৯৩ দা অর্জেন্টিনা ফুটবোল এসোসিএসন শেমদুনা লৈবাক অসিনা মসিগী মনীং মখা তম্বগী চহী ১০০ শুবগী নীংশিং থৌরম ওইনা কুমজা ১৯১৬ কী জুলাই ২ দগী ১৭ ফাওবা খা অমেরিকাগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকখিবদা অর্জেন্টিনা, চিলি, উরুগ্বে অমসুং ব্রাজিলনা শরুক য়াখি মদুদা উরুগ্বেনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চহী অদুদগী হৌনা খা অমেরিকাদা লৈবা লৈবাকশিংগী লূপ অমা শেমদুনা মহাদেশ অসিদা লৈবা লৈবাকশিংনা শরুক য়াবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লম্মী। লূপ অসিবু Conmebol হায়না খঙনৈ। ৱাহৈ অসি স্পেন মরোলদা Confederacion Sudamericana De Futbol হায়বা অদুগী অশন্বীনি। মরমদি খা অমেরিকাদা লৈবা লৈবাকশিং স্পেন নৎত্রগা পোর্টুগিজ মরোলনা ওফিসিয়েল ওইবা লোননি। মসিবু পোর্টুগিজদা Confederaco Sul-Americana De FuteBol হায়না খঙনৈ। ইংরাজিদা কনফিদরেসন ওফ সাউথ অমেরিকা ফুটবোল হায়গদবনি।

মতুং তারকপদা অৱাং অমেরিকাগী অপূনবা ফুটবোলগী Concacaf হায়বদি Confederation of North, Central America and Caribean Association হায়বা লূপ অসিগা পুনশিন্নদুনা কুমজা ১৯৭৫ দগী কোপা অমেরিকা (অমেরিকা কপ) হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা অৱাং অমদি খা অমেরিকা অমসুং কোরিয়ান সমুদ্রদা লৈরিবা ঈথৎশিংনা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯১৬ তগী চৎলিবা চহী অসি ফাওবদা চহী ১০০ শুবগী সেন্টনরি টুর্নামেন্ট অমা য়ু এস এদা পাঙথোক্তুনা চিলিগা অর্জেন্টিনাগা ফাইনেল শান্নবদা থোয়বা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনবদা চিলিনা ৪-২ দা থোয়খি। মদুদা অর্জেন্টিনাগী কেপ্তেন মেসিনা পেনালটি কাওনবদা পাঞ্জল চলহৌদবগী ফুটবোল শান্নবদগী পোথানিংবগী ৱাফম অমা লাক্লি।◀◀

# মীয়ামগী অরানবা খোঙথাং

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





**চৎলিবা** চহীসিগী মার্চ ১৪গী হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী এদিসনগী পাউচেগী লমায় ৭তা 'মীচম মীয়ামগী ৱায়েল পথাপ' হায়বা ৱারেং অমা ইজখ্রে ইরমদম কংলৈপাক অমদি ইন্দিয়াদা হঞ্জিন-হঞ্জিন তত্তনা থোক্লিবা মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু মখোয়গী খূৎতা লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা। অসিগুম্বা থৌওং অসিবু ইংলিসতা মোব ভাইওলেন্স নৎত্রগা লিঞ্চিং হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু মখোয়গী খূৎতা থমদুনা লান্না শীজিন্নবা অসি আ মথায় থায়না মমাঙঙৈদা রোম এম্পয়র, য়ু এস এ অমদি য়ুরোপিয়ন লৈপাকশিংদসু চৎনরম্মী। আ মথায় থায়না মখোয়না চাওখৎপা য়ৌদ্রিঙৈগী ৱাফমনিকো। হৌজিক্তি চাওখৎলবনিনা অসিগুম্বা থৌওংসি থোক্ত্রে হায়রিবা লমদমশিং অসিদদি। অসিগুম্বা চৎনবীসি ফার ইষ্ট এসিয়া লৈপাকশিংদসু উদ্রে, তাদ্রে। অদুবু চাওখৎপগী মঙালদি তারবা, উরবা অদুগা চাওখৎপমক্তি ওইদ্রিবা লৈপাকশিংদা মসি য়াম্না তোইনা থোক্লি। অদুগুম্বা লৈপাকশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেটিক লৈপাকনি হায়রিবা ইন্দিয়া অসিসু অমনি। অসিগুম্বগী চাওখৎতবগী হৈনবীশিং অসি ঙসি ঙসি ইন্দিয়াদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী চাওখৎতবগী হৈনবী, চৎনবী অসি ইরমদম কংলৈপাক্লা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈদুনা তোৎন-তিন্নরুবনা তোইনা থোক্লি ইরমদমদসু। মসি য়াম্না চাউবা নুংশিৎতা অমদি পক্লদবা শন্দোকপা লায়না অমগা চপ মান্নে, অৱাবনি।

ইন্দিয়াদা মোব ভাইওলেন্স নৎত্রগা লিঞ্চিং হায়বদি মীয়াম্না লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু মখোয়গী খূৎতা লান্না শীজিন্নবসি মরু ওইনা অৱাংবা অমদি মপাঙ্গল কনবা কাঙলূপনা অশোনবা, লায়রবা অমদি শোক্লা পন্না য়াদে হায়না লৈরিবা অতোনবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা হেক হেক থোকহল্লি। অতোপ্পা মায়কৈ অমদনা হিন্দু লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা হিন্দু লাইনীং চত্তবা কাঙলূপ, মরুওইনা স্লামগী মীওইশিংদা হেক হেক থোকই। অয়াম্বনা ষণ (কেট্টল) নৎত্রগা ষণগী শা (বীফ) পুথোক পুশিন তৌবদা। হোয় মুসলিম অমনা হিন্দু নুপী অমা নুংশিরুবা মতমদসু হিন্দুগী ইমুংদুনা পামদবদগী মুসলিম নুপা অদুবু লৌতুনদুনা মীয়াম চঙদুনা লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু মখোয়গী ওইনা শীজিন্নদুনা ওৎ নৈবা অমদি হাৎপনচিংবা কয়া অমসু লৈখ্রে। অমদবু ওইরে, অমদবু ওইরে ভিক্টিম অসি অয়াম্বনা অশোনবা কাঙলূপকী মীওইনা অয়াম্বা ওইগল্লি। হোয় অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈখ্রে মরুওইবা খুদম খরা পঞ্জবগী ৱানি।

অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তদি তোপ তোপ্পা হীরমদা মোব ভাইওলেন্স নৎত্রগা লিঞ্চিং অসি থোকই। হোয় নুংশি নুংওলগী মতাংদসু ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াদা থোকপগী মতৌ তল্লক্তুনা ইরমদমদসু য়ৌরকপগী মমি তারক্লি মরুওইনা মৈতৈ/মীতৈ অমদি মৈতৈ পাঙল অনীগী মরক্তা। মসিদি লায়বক য়াম্না থিবনি হায়জনীংই। ইরমদমদা মরুওইনা মীয়াম্না লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু মখোয়গী খূৎতা শীজিন্নবসি হুরান-চিন্থিগী থৌদোক, খুন্নাইগী হৌন-লোনচৎকী ৱাংমদা খোঙ থাংজিল্লুবা, হায়বদি অমোৎপা লমচৎ চৎপা মীওইশিংগী মরক্তা, নুপীজা ওইবীশিংগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা চংখবা অসিনচিংবনি। অতৈসু লৈরি অদুবু অহুম অসিনা খ্বাইদগী ৱাংনা থোকই হায়বা তারে। ময়াম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন কয়ারক তাখ্রে, উখ্রে। গাড়ী খঙদে, অতোপ্পা পোৎ খঙদে হুরাল্লম্লে হায়দুনা ফু-চৈবগী অমদি হাৎপগী। ঙরাং নহান্তসু লিলোংদগী চহী ২৭ শুবদা ঙাইরিবা নহা ফরুক গাড়ী হুরাল্লম্বগী মরাল শিদুনা মীয়াম্না ফু চৈবদগী লৈখিদবা। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাক তশেংনা গাড়ী হুরানবদা চেন্নব্রা নৎত্রগা চেন্নদব্রা হায়বদুমা খঙদ্রি, থিদোক্লি হায়না থমজগে। শোয়দনা অথুবা মতমদা খঙবা ঙম্লগনি। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ফরুক হায়রিবা নুপা অসি লানব্রা চুম্ব্রা হায়বগী ৱাহংদু নত্তে। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসিনা তৌরিবসি চুম্ব্রা চুমদব্রা হায়বসিনি। মসি ৱাখল নিংথিনা খন্থবা ঙম্বা অমদি লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংলবা মীওই খুদিংমক্লা অসুম্না মীওই অমবু চুম্মী-লাল্লি খঙদনা কনাগুম্বা খরনা হায়রে হায়দুনা হেক্তা অসুম্না মীওই অমবু য়াম্না শাথিবা, শাহিং চাবা অমদি হিংচা-য়াইতম্বগী মওংদা তৌবসি য়ানীংলোই, ইশামকসু য়ানীংদে। মসিদি য়াম্না চাওখৎপা ৱাৎলিবা মীওইবগী মতৌনি। মসি হায় হায়দুনা হুরান-চিন্থি তৌবদা শৌগৎসি হায়বা নত্তে। মীচম ঐখোয়দা লাইনসু, লৈঙাক্লসু অতোপ্পা অমবু লাল্লি হায়দুনা মহাকপু চৈরাক পীবগী অয়াবা অমদি হক ঐখোয়দা পীদে, লৈতে। মসিদি ঐখোয়না লৈঙাক্কী আইন, ৱায়েল পথাপ্পু লান্না শীজিন্নবনি হায়না থমজগে। অসিগুম্বা থৌওংসি কাঙলূপ অমনা হেক্তা তৌসনু ঐহাক্তি মদু লাল্লি হায়গনি ইন্দিয়াগুম্বা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়রিবা মফমসিদদি। হোয় অসিগুম্বা মীয়ামগী মীহাৎ-মীপূনগী চৎনবীসি চাওখৎপা ৱাৎলিবা দেমোক্রেসি চত্তবা লৈপাকশিংদদি চৎনৈ মখোয়গী লাইনীং লাইশোনদুগী মতুং ইন্না। খুদম খরা পঞ্জরবদা, পাকিস্তান, অফঘানিস্তান, অরবকী মুসলিম লৈপাকশিং অমদি অফ্রিকাগী লৈপাকশিংদা মসিগুম্বসি য়াম্না তোইনা থোকই। মফমশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা মরাল লৈরবা মীওইশিং, মরুওইনা হুরানবা, নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবশিং নৎত্রগা লমচৎ নাইদবী নুপীশিংবু নূংনা থোমদুনা, থৌরি য়ান্দুনা নৎত্রগা মঙক কক্তুনা চৈরাক পীবগী চৎনবী লৈতবা নত্তে। মফমশিং অসিদদি মীয়ামশিং অসিদা মখোয়গী লাইনীংনা অমদি লৈপাক্তুগী লো অমদি জষ্টিশ সিষ্টেমনা অয়াবা পীরি, মীয়ামদা মসি তৌবগী হক পীরি।

অদুবু ইন্দিয়াসিদি সেক্যুলর ওইবা অমদি দেমোক্রেসি চৎপা মফমনিনা অসিগুম্বা চৎনবী অসি পাঙথোক্লবা মীয়ামদা হক পীদে অদুবু মীয়াম্না হক অসিবু শীজিন্নরি লান্না। লিলোংগী ফরুক লাল্লম্বা য়াই, লাল্লমদবসু য়াই অদুবু মহাকপু হাৎলিবা মীওইশিং অদুদি শুংশোয় শোয়দনা লাল্লে হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি, মরমদি মখোয়দা ফরুকপু হাৎপগী নৎত্রগা চৈরাক পীবগী হক কনানসু পীখিবা লৈতে। লৈঙাক্কী লো অমদি জষ্টিশ সিষ্টেম নিংথিনা মথৌ তৌদে হায়দুনসু ঐখোয়গী খূৎতা শীজিননীংবা মওংদা হেক্তা লৈঙাক্কী ৱায়েল পথাপ্পু শীজিন্নবদি অচৌবা ক্রাইম অমনি হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। মরম অসিনা মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসিবু মতিক চাবা চৈরাক পীবনা লৈঙাক্কী অমদি খুন্নাই অসিগী তুংগী অফবা ওইগনি। নৎত্রবদি অসিগুম্বা থৌদোকসি য়াম্না তোয়না থোরকখিগনি তুংদসু। খুন্নাই অমদা তাহৈদবা, উহৈদবা থৌদোক ৱাথোক চাউনা চাউনা থোক্লিবসি লৈঙাক্তুগী লৈরিবা লো অমদি জষ্টিশ সিষ্টেম অদুবু কিদবদগী থোক্লিবা ঙাক্তনি। অকনবা চৈরাক পীদুনা য়াদে, লাল্লি হায়বা উৎলবা কান্দতা অসিগুম্বা থৌদোকসি হন্থরক্কনি। করিগীদমক সিঙ্গাপোরদা ক্রাই অসুক্কী মতিক নেম্না থোক্লিবনো। মসিগী পাউখুমদি লৈপাকসিদা লো অমদি জষ্টিশ সিষ্টেম অসি অদুক্কী মতিক লূম্না লৌনৈ, পাঙথোকই অমদি মীয়াম্নসু লৈঙাক্নসু ইন্দুনা চৎনৈ। লৈপাক্কী লো ইন্দবা কাঙবুশিং খোঙ্গ্রাও লৌথোক্তুনা মতুংদা হিপনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফুবদা উনশা মতৎ-মতৎ তৎনা ফুবগী মালেমগী মফম শিনবা থুংনা তানরি, খঙনরি। অসুম্না সিঙ্গাপোরদা অরানবা তৌবা মীওইশিংদা চৈরাক চাউনা চাউনা পীরি, খুদম অমখক পঞ্জবনি।

অমরোমদনা ইন্দিয়াদা করিগী অসিগুম্বা ক্রাইম ময়াম অমা ঙাইহাক লৈতনা থোক্লিবা। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইন্দিয়াগী লো অমদি জষ্টিশসি মমীংতা ওইনা লৈবননি। কনানবু কিবিগদৌরিবনো লৈঙাক্লা চৈরাক পীবিদ্রবদা। য়ূমগী অঙাংসু অদুমঙাই, মমা মপানা য়েংশিনবীদবদগীনি খঙদে, নুংশিরিনি খঙদে সুম তৌনীংবতা তৌহন, অরানবা তৌরকান্দা লাল্লি, তৌগনু হায়বীদবা অমদি চৈরাক পীবিদবনা মমৈথংদদি মমা-মপানা ৱারকপা ঙমদনা অচৌ অচৌবা ক্রাইম কয়া তৌরক্লিবা মীয়াম্না তাবিরে, উবিরে। লৈঙাক্লা চিন্দা, চেদা লাউবনদি য়ারোই। থবক্তা উৎপা মথৌ তাই চাইনাদা তৌবগুম। চাইনাদদি মীয়াম মমাঙদা ফাওবা পুথোক্তুনা ফাঁসি তৌদুনা নৎত্রগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলি মীয়ামদা খঙহন্নবা অমদি তৌদনবা। অসুম্না তৌরবদি চাইনাসু ইন্দিয়াগুম পুমচাই চাইগনি। মসিনা হুরান চিন্থিগী ৱাফম ওইখ্রে।

মসি নত্তবীদা ইরমদম কংলৈপাকসিদা নুপীজা ওইবী কয়াগী পুন্সি মাঙহনবীখ্রে লৈকায়গী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা কৈন্যা খরা কৎপী, মরু খরা কোকথোক মখোয়গী মরালনি হায়দুনা। হংজনীংলিবা ৱাফমদি হায়রিবা মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসিদা অসুম্না চৈরাক পীবগী অয়াবা অমদি হক কনানা পীবগে। কনানসু পীদে মখোয়দা । মখোয়না মী য়াম্মী, পাঙ্গল কল্লি হায়দুনা হেক্তা তৌবনি অচুম অরান থিদোক্তবীদা, নংহৌররোই মতাগুম। মসি য়াম্না লাল্লি। মখোয়সু নুপীজা ওইবী ঙাক্তনি। নুপীজা অমা অসুম্না মীয়াম মাঙদা খোঙ্গৌইনবদি মখোয় মশানা মশাবু খোঙ্গৌইনবগা চপ মান্নে। অসিগুম্বা থৌদোকসি মখোয় মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা থোক্লবদি মখোয় য়ানীংদুনা মখোয়গী মচাশিং অদুবু মরু কোক ও, কৈন্যা কলো হায়গদৌরিব্রা। অদুগা অমরোমদা, কনাগুম্বা মীওই অমনা খুন্নাইনা য়ানীংদবা থবক অমা তৌরুবগীদমক মহাক্কী ইমুংনা লৈজরিবা য়ূম অদুবু হেক্তা থুগাইবীবা, মৈ থাদোকপা হায়বসিবু য়াব্রা। অঙাং ফাওবা লাক্লবদা ৱারবা মতমসিদা মপূং ফারবা মীওই অমবু ইমুংদুনা হেক্তা ৱারকপা ঙমগনি হায়নসু খনবীবা লানগনি। মীওই অমখক্লা অরানবা তৌরগা ইমুং অদুগী মীপূম খুদিংমক্লা অৱাবা তাবদি য়াম্না লাল্লি। মীওই অদুবু য়ূম অদুদা লৈহন্দবদি তানবা য়াই অদুগা ইমুং পূম্বা লৈহন্দবা অমদি মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা য়ূম অদুবু মৈ হেক্তা থাদোকপীবদি শা-ঙা, হিংচা-য়াইতম্বগী শাজৎনি। মসিগুম্বা চৎনবী অসিদি ঐহাক্কী ওইনদি শুকয়া য়ানীংদে, পূমলান লাল্লি হায়না থজমগে।

অসিগুম্বা চাওখত্তবা থৌওংশিং অসিবু থিংনবগী মরুওইবা লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না লৌখৎপা য়াবা পাম্বৈ খরদং থমজগে মখাগী অসুম্না :

খ্বাইদগী অহানবা পাম্বৈদি লৈঙাক্লা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোক্লে হায়না পাউ হেক তাবদা খুদক্তা মতিক চাবা পুলিসকী মীওইশিং থাজিন্দুনা থৌদোক অদু খুদক্তা লাকশিন্নবা হোৎনগদবনি। মখোয় অমা অনীখক মমীংতগী ওইনা থাবনদি মখোয়সু অসুম য়েংদুনা লৈবা নত্তনা উপাই লৈরোই। মসিমক হঞ্জিন হঞ্জিন মখোয়না করিসু তৌবা ঙমদনা লৈবা য়াম্না থোকখ্রবনি। মখোয় অমা অনীখক্তুনা করি তৌবা ঙমগনি খোইশাওনরবা লান্না খোঙদারুবা মীয়ামদুগী মায়োক্তা। মতম চানা অকনবা পুলিসকী ফোর্স পুদুনা চৎপীদবনা মীয়াম্না ফুবিরিবা মীওই অদু কনবা ঙমদ্রিবনি। মদুগী মথক্তা মতম চানা হোস্পিটালদা পুবিদবা অসিনি। মসি হঞ্জিন হঞ্জিন থোক্লবা ৱাফমনি। অনীশুবদা, নাকল অনীমক্তা চেন্নরিবা মীয়াম অমদি অৱাবদা তারিবা মীওই/মীওইশিং অনীমকপু অথুবা মতমদা অচুম অরান থিদোক্তুনা অরানবা তারবা মীওইশিং অদুদা ফংফম থোকপা চপ চাবা চৈরাক অমা অথুবা মতমদা পীথোক্কদবনি। মসিগী চৈরাক অসিবু মতম চানা পীবিদবগী মহয়ননি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা অসিগুম্বা তমথীরবা থৌদোকসি তৎতনা থোক্লিবা। মসি লৈঙাক্লা কাউবীফম থোক্তে। অহুমশুবদা, অৱাবা তারবা মীওই অদুগী ইমুংদা মখোয়না ফংফম থোকপা কম্পেন্সেসন লৈঙাক্লা পীবিগদবনি নৎত্রগা মদুদা চেন্নরিবা মীওইশিংদা পীহনগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক পীবখক্তা নত্তবীদা মখোয়দা অৱাবা তারবা ইমুং অদুদা শেলগী তেংবাঙ পীহনগদবনি, মরুওইনা ভিক্টিম অদুনা লান্দবা ওইরগদি। মরিশুবদা, লৈকায় লৈকায়গী অমদি সিভিল ওর্গেনাইজেসন্না পব্লিক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিং শেমদুনা অসিগুম্বা মোব ভাইওলেন্স অমদি লিঞ্চিং অসি লাল্লি হায়বগী পাউজেল পীবগী মথৌ য়াম্না তারে ইরমদমসিদা। মোবাইল ফোন পায়রে, কম্প্যুটর লৈরে হায়দুনা মীচম মীয়াম্না ফৈ ফত্তে হায়না হেক্তা খঙলনি হায়না লৈথোকপদি লানগনি। মখোয়না মোবাইল ফোন্দা ফংলিবা পাউসিদি মমিংখক্তগীনি, মকুগীপাউ খক্তনি, হায়বদি মনুং থিৎনা খঙবা নত্তে। কনানবু পীকখ্রবা স্ক্রিনসিদা মমুৎ তানা পাগদৌরিবনো। মীওই অয়াম্বনা হেদ্দিং, মমিং অমদি মরুওইবা পোইন্ট খরা য়েংবা খক্তনি। অদুনা মমুৎ তানা খঙবা য়াওদে অয়াম্বনা। 'লিট্টুল নোলেজ ইজ দেঞ্জরিয়স' হায়বদো নীংশিংবা য়াই মতাংসিদা। মমুৎ তানা মখোয়না তৌরিবসি লাল্লি খঙদবনা অসিগুম্বা থৌদোকসিদা মখোয় হঞ্জিন হঞ্জিন য়াওদবসু নত্তে, নুংঙাইবা অমদুম পোক্তুনা। অদুগা অমরোমদনা, লৈঙাক্লা ক্লবশিং অমদি সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিংনা পব্লিক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিং তৌবদা চঙবা শেনফমশিং মতেং পীবিগদবনি। মসিদি লৈঙাক্লা পীফম থোকই। মঙাশুবদা, লৈঙাক্কা, লৈকায়গী ক্লবশিং অমদি সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিংগা পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা, লৈকায়গী ক্লবশিংনা নৎত্রগা সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিংনা অসিগুম্বা থৌদোক অমা হেক থোকপদা খুদক্তা লৈঙাক্তা, হায়বদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীগদবনি। অমনা অমবু মতেং পাংনবা মথৌ তাই। নাকল অমখক্তুনা হোৎনবনা মায় পাকপা ঙম্লোই। তরুকশুবদা, অসিগুম্বা য়েংবদা থম্মোয় য়াম্না শোকপা হিংচা-য়াইতম্বগী শক্তম অসিবু ভিদিও ক্লিপ ওইনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা মীওইশিংবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা সাইবর ক্রাইম দিপার্টমেন্টনা ফাইন চাউনা চাউনা লৌবা নৎত্রগা অকনবা চৈরাক পীবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ভিদিওশিং অসিনা কাঙলূপ-কাঙলূপ য়েংথিনহনবনচিংবা ৱাখল্লোন পোকহনগনি। অরোইবদা, অঙাং খুদিংমক মহৈ মশীন তম্বগী হকসি ফংহনগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াদা চেন্নরিবা নৎত্রগা য়াওবা পামজবা মীওইশিংসি লাইরিক লাইশু কয়া তমহৌদবা, হৈতবা, থবক তৌদবা, শূনীংদবা মীওইশিংনা খক হেল্লি। মহৈগী মঙাল ফংদবা মফমদা অসিগুম্বা তমথীরবা, হিংচা-য়াইতম্বগী চৎনবী অসি তোইনা থোকই হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা কাউফদে। খ্বাইদগী মোব ভাইওলেন্স অমদি লিঞ্চিং থোক্লিবা মফমশিং হায়রগদি অফ্রিকাদা লৈবা লৈপাকশিংনি, করিগীনো হায়বদা মখোয় অয়াম্বনা লাইরিক্কী মঙাল ফংদে, অচুম অরান খন্দোকপদা ৱানা থোকই, অতোপ্পগী মতুং ইল্লি চুম্মী-লাল্লি খঙদনা। ঐখোয়সু মখোয়দগী থোইদোক্লা লেপ্তুনা লৈরিব্রা?◀◀